ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯐꯦꯕꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯳, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯱꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেল, ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২০, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ৩১৩শুবা মশীং

# দিল্লিদা বি জে পিনা মায় পাকপা ঙমখিদবা

## মীখল খূদিংমক্তা মথং-মথং মায়থীরক্লিবসি সী এ এগী মহয় ওইগদৌরিবরা

দিল্লি এসেমব্লিগী মীখলদা পার্টি অহুম্না অকনবা লম্বা তৌখিবদা আম আদমি পার্টি (এ এ পি)না শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা মায় পাকখ্রে। অপূনবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৭০গী মনুংদা পার্টি অসিনা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৬২দা মায় পাকখিবগা লোয়ননা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৮দা বি জে পিনা মায় পাকখি। দিল্লিদা মতম শাংনা লৈঙাক পায়রম্বা কোংগ্রেসতি মীখল অসিদা সীট ১ ফাওবা ফংবা ঙমখিদ্রে। ইলেক্সন কম্মিসননা মীখলগী ফল হেক লাউথোকখিবগা "ভারত মাতানা মায় পাক্লে" হায়না পল্লদুনা এ এ পিগী লুচিংবা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা হায়খি, পার্টি অসিনা হান্নদগী ফীভম ফগৎলক্তুনা নীংশিংনিংঙাই ওইবা মওংদা মায় পাক্লিবসি দিল্লিদা লৈরিবা মীয়ামগী মায় পাকপনি হায়না লৌফম থোকই। খূৎতি য়াওদনা ৱা খক্তা ঙাঙবা পার্টিদগী থবক ওইনা উৎথোকপা পার্টিদা মীয়াম্না থাজবা থম্মী হায়বগী খূদমনি হায়নসু কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখি। মীখল অসিদা বি জে পিনা য়ামদ্রবদা সীট ৫৫ রোম ফংগনি হায়না পানরম্লবসু শুপ্নগী সীট ৮ খক ফংলকপগী মতাংদা কেজ্রিৱালনা হায়খি, লৈবাক্কী কেপিটেল সিটিদা লৈরিবা মীয়াম্না এ এ পিদা থাজবা থমদুনা ভোট পীরক্লিবসি কাঙলূপ নাইবা পোলিটিক্স মায়থীরে হায়বগী খূদমনি। অমরোমদা, সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা অখিলেশ য়াদবনা হায়খি, লাইনীংদা যূম্ফম ওইরগা মীচঙ-মীখায় নাইবা থৌরাং কয়া লৌখৎলকপা বি জে পিবু দিল্লিগী মীয়াম্না পামদ্রে হায়বা মীখল অসিদগী ময়েক শেংনা খঙবা য়ারে। কাঙলূপ নাইবা থৌশিল পূম্নমক তুং কোইনা চৎনবা য়ারোই হায়বা মমল য়াম্লবা পারা অমা দিল্লিগী মীয়াম্না বি জে পিদা তম্বীরে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। মমাঙ চহীদসু রাজস্থান, মধ্য প্রদেশ, ছটিশগর, মহারাষ্ট্রা অমদি ঝরখন্দগী মীখলদা বি জে পিনা নীংবা কায়নিংঙাই ওইবা মওংদা মায়থীখিবনি। ইকুই-কুইদ্রিঙৈদা নবেম্বর ৩০দগী দিসেম্বর ২০ ফাওবা তাঙ্কক মঙা থোক্লা পাঙথোকখিবা ঝরখন্দগী মীখলদা ঝরখন্দ মুক্তি মোর্চা অমদি কোংগ্রেসকী এলাইয়ন্সনা বি জে পি মায়থীবা পীখি। মীখল অদুদা অপূনবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৮১গী মনুংদা ঝরখন্দ মুক্তি মোর্চা অমসুং কোংগ্রেসকী এলাইয়ন্সনা সীট ৪৭ ফংখিবদা বি জে পিনা ২৫, জে ভি এমনা ৩, ওল ঝরখন্দ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা ২ অমসুং অতৈ পার্টিশিংনা সীট ৪ ফংখিবনি। লোক সভাগী মীখলদা সীট মশীং য়াম্না ফংখিবা বি জে পিনা দিল্লিগী মীখলদসু শোয়দনা মায় পাক্লগনি হায়না পার্টি অসিগী লুচিংবশিংনা কয়ারক হন্না লাউথোকপা লৈখ্রে। মীখল অসিদা বি জে পি, কোংগ্রেস অমসুং এ এ পিবু মরু ওইবা লম্বানি হায়না লৌনখ্রবসু মপূং ওইনা লম্বা পানখিবসি বি জে পি অমসুং এ এ পিনি।

অহুম্লক হন্না দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর ওইগদৌরিবা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালবু লৈঙাক পায়বদা খ্বাইদগী হৈথোই শিংথোইবা মীওইনি হায়না দিল্লিগী মীয়াম্না লৌনবগুম তৌরি। লৈঙাক্লা মীয়ামদা পীবা চেঙ, হৱাই অমদি চিনিনচিংবা রশনগী পোৎলম পূম্নমক যূমথোং খূদিংদা চৎতুনা য়েল্লগনি, স্পোকন ইংলিশকী ক্লাস হাংদোক্লগনি অমসুং স্কুলগী করিক্যুলমদা পেট্রিয়টিজম য়াওহল্লগনি হায়বা কেজ্রিৱালগী ৱাফম্না দিল্লিগী মীয়াম্বু শুমহৎপা ঙমখি হায়বা য়াই। নাকল অমরোমদা বি জে পিনা মীখল মমাঙদা চীফ মিনিষ্টরগী মীরেপ লাউথোকপা ঙমখিদে। মীয়ামদা অতাবা মমলদা য়াম ফংহনবগা লোয়ননা হেল্থ অমসুং এদ্যুকেসন সেক্টরদা শেল হেন্না চাদিং তৌরগনি হায়না মীখল মমাঙদা বি জে পিনা লাউথোকখ্রবসু মীয়ামগী থম্মোয় খূদুম চনবা ঙমখিদে হায়বা য়াই। হীরম অসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহনা চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎপগী ৱাফম লাউথোক্তুনা মীয়মাগী থম্মোয় খূদুম চন্নবা হোৎনবগী মহুৎতা অতম্লনা কেজ্রিৱালগী অশোয়বা পুথোক্লবা হোৎনখিবদু খ্বাইদগী চাউনা শোয়বা খোঙথাংনি। বি জে পিনা কেজ্রিৱালদা পর্সনেল এটেক চৎথদুনা মিংচৎ থীহন্নবা হোৎনরিবমখৈ কেজ্রিৱালগী মপাঙ্গল কনবা হেনগৎলকপগুম তৌখি হায়না পোলিটিকেল এনালিষ্টশিংনা মোত পীরি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দিল্লি (এম সী দি)গী মীখলদা য়াম্না চাউবা মওংদা মায়থীখিবা মতম অদুদগী হৌরগা এ এ পিনা এসেমব্লি ইলেক্সনগী থৌরাং তৌবা হৌখ্রবসু বি জে পিগী ওইনদি নোমিনেসন ফাইল তৌরবা মতুংদা মীখলগী কেম্প্যেন চথবা হৌখি। অমরোমদা এ এ পিনা কুমজা ২০১৩দা অহানবা ওইনা দিল্লিদা লৈঙাক পায়রকখিবা মতমদা লেম্না ইলেক্ট্রিসিটি অমসুং ঈশিং শীজিন্নবগী খূদোংচাবা ফংহনখ্রবা মীয়াম্না পার্টি অসিদা মপূং ফানা শৌগৎলকপগী মওং অমা উবা ফংখি। হৌখিবা থা ৬কী মনুংদসু কেজ্রিৱালনা লুচিংবা লৈঙাক্লা দিল্লিগী নুপী অমদি মহৈরোয়শিংবু শেল অমত্তা তিংদনা বস অমদি মেট্রো ট্রেন তোংনবগী খূদোংচাবা ফংহনখিবনি। দিল্লিগী অপূনবা মীশীংগী চাদা ১৪ রোম মুসলিমনি। অয়াম্বা মতমদা কাঙলূপ অসিগী মীওইশিংনা অখন্নবা পার্টি অমদা পূল্লপ শৌগৎতুনা লাকখি হায়বা পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। মতম অমদা মুসলিমশিংনা কোংগ্রেসতা শৌগৎলম্লবসু হৌজিক্তি এ এ পিদা মপূং ফানা শৌগৎলকপগী মওং অমা উবা ফংলি। সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ), নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সী) অমদি নেসনল পোল্যুসন রেজিষ্টর (এন পি আর)গী মতাংদা এ এ পিনা লৌরকপা ফিরেপ্পু দিল্লিগী মীয়াম্না য়ানিংবগী মওং অমা উবা ফংলি। সী এ এগী মতাংদা এ এ পিনা কোংগ্রেসতগী ফাওবা হেন্না মশক থোকপা থৌরাং লৌখৎলে হায়না লৌনবা মরম্না দিল্লিদা এ এ পিনা অহুম্লকশুবা ওইনা মায় পাকপনি হায়না থাজনরি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১৩

১। ঐখোয়গী শেংলবা কংলা মনুংসি ইতিহাসকী মচাক ওইবা ফূড়াশিং, ঈরম খোংলম কয়া অমা লৈরিবনি। ইবুধৌ পাখংবা হাক্তক্তগী মহারাজ কুল্লচন্দ্রগী মতমফাও কোনুং ওইরক্লবনি।

(ক) মসিদা লৈরিবা নূংজেং পুখ্রি অচৌবা শেংলবা মফমনি। মসিবু করি হায়নসু খঙনবগে?

(খ) নোংচুপ সনথোঙ অসি কংলাগী মরুওইবা থোঙ অমনি। করম্বা সনাহাক্তক্তা শারম্বনো?

২। "ননাই ঐগী কংলবা থম্মোয়দা ধর্ম্মগী ময়োন হুনবগুম তৌরে। রাম সীতাগী গুন তাবদা য়ামদ্রবদা মিত্তা পি শিন্থবা মখৈদদি হৈরে।" পরেং অনীসি কবি চাউবগী 'লবঙ্গলতা' দগী লৌথোকপনি। ননাই হায়রিবসি কনানো?

৩। "নুপানা রাম ওইরগা লোয়নবীসু সীতা ওইবনি। নত্তদুনা নুপীখক্তং সীতা ওইয়ু হায়বদি খক ওইথোক্লরোই।" ৱাফমসিনা 'থোইনু' কৌবা ফম্বাক লীলা অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৪। "লূপথৌ লুরবা ঈরোন্নুংদা/থম্মোয় থম্বাল লৈরিক্লুংদা/ফঙ্গনি মঙাল অচুম্বগী।" পরেং অহুম অসিনা এস ভানুমতিগী শৈরেং অমদগীনি। শৈরেং লাইরিক অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "উখ্রুলদা ঐগী থৱায় লৈহৌরে/ইম্ফালদা লৈঙমদ্রে।" পরেং অনীসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবা অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ঐসিবু কনানো? কদায়দগী লাকপনো?

### সোইবমচা ইন্দ্রকুমার

ৱারেংসিগী মিংথোল ওইনা শীজিন্নরিবা 'ঐ' - মিংথোল অমা লৌরগা মণিপুর (ইম্ফাল)গী মফম অমদা চঙজফম লৌরগা লৈরিবা মীশক অদু নৎচদে। ঐগুম্বা তোঙান তোঙানবা মফমদা, তোঙান তোঙানবা মিং অমমম থোন্দুনা মীতৈনি, নাগানি, পাঙলনি, কুকিনি হায়জরিবা মখোয় পূম্নমক্তুগী অসুপ্পা মশক অমা ওইনা শীজিন্নজবা ৱাহৈ অমনি। ৱারেংসিদা মখা তানা ইজরক্কদৌরিবা ৱাহৈ পূম্নমক ইরন্নাইগী ৱাফম অমত্তা নত্তে।

চীংমী অমসুং তম্মী হায়রগা শুপচিন্না খঙনবা মী মখল অনীখকনি মণিপুরদা খুন্দারিবা। ঙল্লিঙৈ মতমদা হাও অমসুং মীতৈ হায়না খঙনরম্মী। মতমগী য়াওনদা হোংলকপা ৱাখল্লোন অসিনা 'হাও' হায়বা ৱাহৈ অসি কাঙলুপ অমবু হন্থনা য়েংবগী মওংদা, 'দিরোগেটরি' ওইবা ৱাহৈ অমনি হায়না খন্নরকপদগী ৱাহৈ অসি শীজিন্নবা তপ্না তপ্না তোক্লরকখি। তশেংবদি, অরীবা মতমগী মণিপুরগী পুৱারীদা য়াওবা, কৌব্রু চীংদোল'দা খুন্দারম্বা 'লৈ-হাও' কৌবা মীশক অমগী চাদা-নাউদা (ফুরুপ) অমা ওইনা খঙনরম্বদগী লৈ হায়বদু লৌথোকখ্রগা 'হাও' হায়বদু লৌহৌবা ওইরম্বসু য়াই। চৈথারোল কুম্বাবগী মতুংইন্না লমদমসিদা খুন্দাদুনা লৈরম্বা, অহানবা খুন থোকপা নুপা, মীতৈশিংগী অহানবা মপা-মপুদুগী মমিং পোইরৈতোন কৌই (পোইরৈতোন খুন্থোক)। মফমদুদা থুংলবা (কদায়দগী থুংলবনো হায়বদুদি তাক্লমদে) পাখঙবা অমদি মাগী খোঙলোয়শিং অদুবু পোইরৈতোন'না অতোপ্পা মী (মী অতৈ) নি হায়দুনা 'মীতৈ' মিংথোল পীখিবনি হায়বসিসু ৱাগী ৱাখুন অমনি। কাইনথংদা পাখঙবনা পোইরৈতোনগী মচন্নুপী 'লৈস্না'বু লুহোংদুনা লৌরগা মফমদুদা খুন্দাখি। মাগী চাদা নাউদাশিং, ফুরুপ অদুবু মীতৈ হায়না খঙনখি। পোইরৈতোনগী লমনি হায়দুনা 'পোইরৈ লমদম' কৌরম্বা, মমৈথংদা 'মীতৈ লৈবাক', মীতৈ-লৈবাক'তগী থৈথরক্তুনা 'মৈত্রবাক' হায়না খঙনখি।

অচুম-অরানগী ৱাদুদি, ৱারীশিংসি পাবীরিবা অখঙ-অহৈ ময়ামগী কোক্তুনা খন্থজরসনু। মীতৈ হায়বসি কনানো? নাগা হায়বসিনা করম্বনো? কদায়দগী লাকপনো, কৈদৌঙৈ করম্না থুংলখিবনো? চপ চাবা খুদম চাংদম, ফুল-প্রুফ ইভিদেন্স অমগা লোয়ননা কনানসু হায়বা ঙমদে। ইনরিবা ৱারী পূম্নমক 'হাইপোথেসিস' (চপ চাবা প্রমান ফংদ্রিবা, য়েৎননীংঙাই ওইরিবা ৱা) ঙাক্তনি। ইতিহাস নৈনবা হিষ্টরিয়ান কয়ানা ঙসিসু নৈনবা লেপ্তুরি। চৈথারোল কুম্বাবগী মতুংইন্নদি মণিপুরগী ইতিহাস ইবসি 'নোংদা লাইরেন পাখঙব'না ফম্বাল তোংবা চহী জিসস খ্রাইষ্ট শিখ্রবা মতুং ৩৩শুবদগী হৌই। অতোপ্পা ইতিহাসকার খরনদি মণিপুরগী ইতিহাস, খৃষ্ট পোক্লিঙৈ চহী ১৪০৫ দগী হৌখ্রে হায়। পি ললিত'না ইবা 'এ ব্রিফ হিষ্টরি ওফ মণিপুর'গী মতুংইন্না ময়ায় থংবা চিনাগী শরুক্তা পাল্লম্বা 'তাং-সাং' দাইনেষ্টি (১৫২৩-১০২৭, খৃ: মমাঙ)গী মীওই খরা মণিপুরদা লাক্তুনা কৌব্রু চীংগী চীংদোন্দা 'লৈ-হাও' ফুরুপকী মীওইশিংগা পূন্না খুন্দামিন্নখি। কাঙলুপ্তুগী লুচিংবা অদুনা 'লৈ-হাও' শিংগী লুচিংবগী মচানুপী 'শিনবী-লৈম'বু লুহোংদুনা লৌখি (খৃ: মমাঙ ১৪৪৫) । লীনবু লাইগুম লাৎচবা কাঙলুপনি, 'তাংজ-লীন-পাখঙবা' হায়বা মিংথোল লৌদুনা নিংথৌ ওইনা পাল্লকখি। খৃ: মমাঙ ১৪০৫ ফাওবা পাল্লম্মী। মাগী তালোয় 'শিনবী লৈম'না 'কাংব' কৌবা মপারী অমা পোকখি। 'কাংব'না নিংথৌ ওইবা চহীদুদগী মীতৈ-নিংথৌরোল (মীতৈ কিংদম) গী অহৌবনি। ৱারীসিবুসু ঐখোয়না হুন্দোক-খন্দোক য়াদবগী মরম লৈ। 'তাং-শাং' কৌবা হঙোই অমগী মমিং করম্না থোনখিবা? পাখঙবগী শক্তম্বু 'তাং-জ-লীন' গী মথেক নাইবা শক্লোন ওইনা করম' ঈরাৎনরম্লিবা? ৱাহংসিগী পাউখুম, ৱারীসিদগী ফংগুম তৌরকই।

অতোপ্পা ৱারী অমগী ৱাগী ৱাখুন ওইরিবা পোইরৈতোন অমগী মাগী তালোয় লৈমা লৈনাওতাবী অনীনা মণিপুরদা লাকখিবা, খৃ: মমাঙ ৩৪-১৮ অদুৱাইদনি। 'চীংখোং পোইরৈতোন' - চিনা, বর্ম্মা, টিবেট অহুমগী লোন্নবদা লৈবা 'খমতিলোং' কৌবা লম অদুদগী লাকখিবনি। হান্না উখ্রুলদা থুংলগা, ঈশিংগী অৱাবা লৈবা মফমসিদা খুন-থোকপা খুদোংচারোই খন্দুনা, মথং মথং চঙশিল্লক্তুনা কংলাতোংবী য়ৌরকপদা পাক চাউরবা থেল অমদি ঈশিং মরাং কায়বদুগী য়েংলগা মফমদুদা খুন্দাখি। মাগী মমিং লৌরগা পোইরৈ-লম মিংথোনখি। হান্না-খুন্দারম্লবা 'তাং-শাং' ফুরুপকী মীওইশিংগা চারৌ-মৌরৌনদুনা পাক্লা-শন্না খুন্থোক্লকখি। পোইরৈ-লমগী মীশিংবু 'পোইরৈ-মীতৈ' মিংথোনখি।

শোয়বা নাইদবা, চেনবা য়াদবা ইভিদেন্স ময়ামদা শাগৎপা নত্তবা চীন্থাং ৱারীদা যূম্ফম ওইবা ৱারীশিংদুই মনুংদা লৌখৎপা য়াবা, থাজবা য়াবা অম'নীদং লৌখত্তুনা ৱারেংসিদা ইথোকচবনি। ঐখোয়সিবু কনানো? কদায়দগী লাকপনো? কনাগী চাদা নাউদানো? চপ চাবা অমত্তং খঙনীংই। হায়নৈদনা - অওনবা কয়া লাক্লবসু মীওইবনা কাউরোইদবদি হৌরকফমনি। ঐগী অহানবা হৌরকফমদু ঐহাক্কীদি ঈশ্বরনি। ৱাফম অসি থাজবা ঐহাকখক্তা নত্তে, তাইবঙ মীওই পূম্নমকনি। অদুনবু হায়নরিবনি - শেম্বীবা মপূ মহাক্তু পূম্নমক্কী ঈশ্বরনি।

অসুম্না অরীবা মতমগী, এনসিয়েন্ট হিষ্টরি নৈনরুবদা মফম অমত্তদা থেংনরোই 'নাগা' কৌবা মীওই ফুরুপ অমত্তগী হৌরক-ৱারী। তাংখুল, কবুই, মাও, মরাম, মরিং, চোথে, কোম, পাইতে, সিমতে, মার... ফুরুপ মচা মচাশিংগীসু হৌরকফম ৱারী লৈগনি - কদায়দগী লাকপনো? কৈদৌঙৈ 'সিদা থুংলবনো? হান্না লাকপা, কোন্না লাকপা হায়বদুনা অমনি, ঐখোয় পূম্নমক অতোপ্পা মফমদগী লাকখিবা ঙাক্তনি হায়বসিমদি ৱারী শংবুল কয়াসিনা তাকই। পাঙল হায়না খঙনবা, লাইনীং লম্বী অমদা (ইসলাম) যূম্ফম ওইরগা ফুরুপ অমা শেমখিবা মখোয়গীদি নাখৈ শেংই-কদায়দগী কমদৌনা, কৈদৌঙৈ থুংলখিবনো?

ইজরিবা ৱারেংসিগী পান্দম-মীতৈ, নাগা, কুকি, পাঙলশিংগী হৌরকফম তাকপা ৱারীশিংদু নৌনা অমুক ইথোক্লগা মীয়ামদা পাউদমজবা অদু নত্তে। ঙসিগী অচৌবা পোলিটিকল ইস্যু অমা ওইরক্লবা -নাগা আইদেন্টিটি, কুকি আইদেন্টিটি, মখোয়গী মপা-মপুগী লম, হোমলেন তোখায়না তানগনি হায়বগুম্বা, মীতৈশিংগী মায়োক্তা অপান্ননা ঈহৌ অমা হৌবা মানবা থবক থৌওং অমা চথরকপসিদা অসিগুম্বা ৱারীসি ঐখোয় খঙফম থোক্তবরা? হায়বগুম্বা ৱাখল অমা ফাওরক্তুনা ইরুবনি। হায়নবা লৈ - 'অওনবা কয়া লাক্লবসু মীওইবনা কাউরোইদবদি হৌরকফমনি' ... 'নশাবু মীনা ইকায়খুম্নহন্নীংলবা, মীবুসু ইকায়খুম্নবা তম্মু'...।

মতম চূপ্পদা মীতৈশিংনা মীতৈ নেসনেলিজমগী ৱা ঙাঙখিদে। হোয়, মণিপুরী নেসনেলিজমগী ৱাদি হায় - মণিপুর কৌবা নেসন অমা লৈরম্মী, তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংনা শাগৎপা, মশাগী তোপতোপ্পা আইদেন্টিটি অমা লৈজবা। চহী লিশীং কয়াদগী অমনা অমবু ইকায়খুম্নবা লৈমিন্নরকই। ৱারীদুগী ৱাহৌদুনি ৱারেংসিগী ৱাহৌ ওইনা পঙখ্রিবা। মতমগী অহোংবা কয়াসিনা ৱাখলদা অহোংবা লাকহল্লি, 'নাগা' কৌবা অনৌবা মিংথোল অমা ব্রিটিসশিংনা শেল্লম্বদু লৌরগা ফুরুপ মচা মচা কয়া আসাম, অরুনাচল, মণিপুর, নাগালেন্দ'দা লৈরম্বশিং ছাতিন অমনা কুপ্পগুম কুপশিন্দুনা থম্লবা 'পোলিটিকল মুব' অমা ১৯শুবা চহীচাগী অথেংবা, ২০শুবা চহীচাগী অঙনবদগী থাংলকখি। লীশাং শিৎপা ঈহৌদুগী মহয়নি - 'নাগা নেসনেলিজম'। নাগা নেসনেলিজমগী পাউখুমনি- 'কুকি নেসনেলিজম'। অনীমক্কী হৌফমনি - 'মণিপুরী নেসনেলিজম'। মণিপুরী নেসনেলিজম - মীতৈশিংগী ৱাখল মমিনি।

ঐখোয় অমত্তনি, ঐখোয়গী হৌরকফম অমত্তনি, ইমা অমত্তগী মচানি হায়বসিদা থাজবা কাঙলুপ অমগা, অপূনবই খোল্লাউ লাউবসি পাঙদবগী লীচৎনি, অশোনবনা মীচং খোম্বনি হায়বসিদা থাজবা কাঙলুপ অমগা - মান্নদবা ৱাখল অনী মুক্লবগী মহয়নি - মচেৎ তারবা নেসনেলিজম। ঐ কনানো? কদায়দগী লাকপনো? লাকপা কয়াম কুইরবা? পূম্নমকসি খঙমিন্নদনা অমত্তা ওইবই ৱাখল্লোন কদায়দইনো পোক্তৌ'বা! ঐখোয়তগী ৱা নত্তে, মুন্না থিজিল্লুরবা, এসিয়ন-রুসিয়ন-অমেরিকান - হৌফম অমত্তা ওইরমনি। খ্বাইদই নৌবা সাইন্টিফিক থিওরি মতুংইন্না - মীওইবা কৌবা ফুরুপসিগী হৌরকফম, অফ্রিকা কৌবা লমসিনি, অফ্রিকান জাতি অসিনা মীওইবগী অহানবা মপুধৌ-পুরেন অদুনি। ৱাফম অসি য়ানীংব্রা? য়াবা-য়াদবা হায়'দুনা অদোমগী লন্নাই ৱাখলনি। সাইন্টিফিক এক্সপরিমেন্ট'না হায়বনি-অমেরিকান, ওষ্ট্রেলিয়ন, চাইনিজ, ইন্দিয়ন, য়ুরোপিয়ন - পূম্নমক্কী হৌরকফমনি অফ্রিকা। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১০৫

### উসম ধনঞ্জয়

**সেপ্টেম্বর ২৬, ২০০৯ :** মণিপুরগী গভর্ণর গুরবচন জগৎনা মহৈরোয় লূপ খরনা থোঙ লোনহনবা অসিদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না মখোয়গী অখুবা মীৎয়েং অমগীদমক্তা মহৈরোয়শিং মহৈ তমজবদা অকায়বা পীবা তৌরোইদবনি হায়খি।

গভর্ণরনা ৱাফম অসি ঙসি অয়ূক খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা শীনবা ২শুবা স্কুল মীট ২০০৯ পাঙথোকপদা হায়খিবনি।

চীফ গেষ্ট ওইখিবা গভর্ণরনা হায়খি, মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী মহৈ-মশীন তম্বদা অমদি তুংগী করিয়রদা অকায়বা ওইগদবা থবক অমত্তদা য়াওরোইদবনি। মহৈরোয়শিংনা মহৈ-মশীন তম্বদা করিগুম্বা মখলগী অকায়বা অমত্তা পীবিদনবা হায়জখিবগা লোয়ননা মখল অমত্তগী ঈরাংদা য়াওরোইদবনি, হিংসাগী থবক্লা তুং কোয়বা সোল্যুসন অমত্তা পুরক্লোই, সোল্যুসনদি টেবলদা ফম্মিন্নরগা ৱারী শানদুনা পুরক্কদবনি হায়খি।

শান্ন-খোৎনবা অসিগী শিল্লি-লাংলিবশিংবু গভর্ণরনা থাগৎখি। মহাক্না হায়খি, ঐখোয়গী খুদোংথীবনা থল্লবা খুন্নাই অসি শান্ন-খোৎনবা অমদি অতৈ হৈথোই-শিংথোইবশিংতনা তেন্সন অমসুং চরাংনবা অসি কোকহনগনি। ষ্টেট হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মনিষ্টর টি ঐচ পরিজাৎনা ঙসি হেপ্পি লেন্দ অমসুং চিংনুংকোক খুঙ্গংশিংদা চৎতুনা লালহৌলূপ অনীগী খৎনবদা অৱাবা তারবা খুঞ্জাশিংদা মতেং পাংখি।

মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসিদা হান্নগী মিনিষ্টর এ আজা, এ এস অথর অমসুং ভিক্টর কৈশিংসু য়াওখি। হায়রিবা খুঙ্গং অসি চীংনুংকোক অমসুং হেপ্পি লেন্দ অসি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লবসু লমলাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা য়াওই।

মিনিষ্টরনা মাগী লোয়নবশিংগা অহানবদা হেপ্পি লেন্দদা থুংখি। খূৎলায় পায়বশিংনা মৈ থাদোক্লম্বা খুন্দুগী যূম অদুবু য়েংশিনখি। মদু সেপ্টেম্বর ২৩দা থোকখিবনি। ফাখিবা খুঞ্জা অনী খুন্দুগা নক্লবা মফম অমদা হাৎলগা থনম্বনি।

মিনিষ্টরনা লুচিংবা টিম অদুনা লৈখিদ্রবা খুঞ্জা অনীগী মোংফমদসু লৈ-শু কৎখি। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াখি। তুংদা খুন্দুগী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা মীটিংদা শরুক য়াখি। খুঞ্জাশিংনা নুমিৎতুদা থোকখিবা থৌদোক্তু লাক্লিবা টিম অদুদা মরীক চুম্না তমখি। মখোয়না হায়খি, থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা খুঞ্জাশিংনা মখোয় অমুক হল্লকখিগদ্রা কিবদগী ময়ূম-মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নরে। মখোয়না সিমসু হায়খি, খুঙ্গং অনী অদুগী জে এ সী অমা শেমদুনা খুঙ্গংগী মীওইশিং শান্তি লৈনা ঈংনা চিক্লা লৈনবা হোৎনরি। মখোয়না লাক্লিবা টিম অদুদা সিক্যুরিটি থম্বীনবা হায়জখি।

মিনিষ্টর পরিজাৎনা খুন অনীগী খুঞ্জাশিংদা ৱা ঙাঙবদা হায়, মীনুংশি য়াওদনা তমথীনা হাৎতোকপীখিবা অসি য়ানীংদে। মী ওইরবসু মখোয় শাগী পুকচেল চেনবনি। অসিগুম্বা শাগী পুকচেল চেনবশিং অসি মীয়াম মরক্তা লৈহল্লোইদবনি। ষ্টেট অসিদা লালহৌলূপ ৩০ হেন্না লৈরিবসি মীয়ামগী লাইবক থীবনি। শান্তি ওইনা লৈনবগীদমক্তা অসিগুম্বা মীওইশিংদগী লাপনা লৈগদবনি। মীয়াম্না অসিগুম্বা মীওইশিং অসি মখোয়গী মরক্তা লৈতনবা হায়গদবনি।

লৈঙাক্তগী মতেং পীদ্রিঙৈদা মহাক্না ইমুং অনীদুদা লুপা ৫০০০ পীখি। অদুগা যূম মৈ থাদোকখিবা চীফ অদুদসু লুপা ৫০০০ পীখি। লমলাই লোকেল কাউন্সিলনা পীবা শেলনি। কিবদগী ময়ূম মকৈ থাদোক্লবা কাঙবুদা চেঙ ক্কুইন্টন ৫সু পীখি। চীংনুংকোক্কী খুন অমসুং খুঞ্জাশিংদসু চপ মান্নবা শেনফম পীখি।

অপূনবা লূপনা চথরিবা এজিটেসন/ঈরাং অসিগী মতাংদা পরিজাৎনা হায়খি মদুদি চীফ মিনিষ্টর ফম থাদোকউ হায়দুনা অসুক কুইনা ঈরাং তৌবসি মরম চাদে, অসুক কুইনা ঈরাং তৌবসি ষ্টেটকী অতৈ মফমদা উদে।

মহাক্না মসিমসু হায়খি মদুদি মীয়াম্না মহৈ-মশীন তম্বগী রাইট অমসুং হিংনবগী রাইট অসি প্রোমোট/ফগৎহন্নবা হোৎনগদবনি। হাৎন-শুনবনা করিগুম্বা মখল অমত্তগী সোল্যুসন পুরকলোই। অপূনবা লূপনা মখোয়না চথরিবা মুভমেন্ট/অন্দোলন অসি ষ্টেটনা চথবা টেরোরিজমগী মায়োক্তনি, কনা অমত্তনা মসিগী মায়োক্তা লৈরোইদবনি হায়দুনা অকনবা ৱার্নিং পীখ্রে। মখোয়না চথরিবা মুভমেন্ট অসিগী মায়োক্তা লৈরবদি মদুদা ফত্ত-নুংদা থোক্লবদি লূপনা থৌদাং পুরোই হায়খি।

ৱার্কিং কম্মিটি ওফ দি অপূনবা লূপনা য়াম্না কনবা লোন্দাদা হায় মদুদি ষ্টেটনা চথহনবা টেরোরিজম অসি মীওই খরতনা তৌবা নত্তে, মীচম মীয়াম্না পাঙথোকপনি। অদুবু মীওই খরদি খোঙজং অসিগী মায়োক্তা লৈরি।

ৱার্কিং কম্মিটি ওফ দি অপূনবা লূপনা মখা তানা হায়, ষ্টেটনা চথহল্লিবা টেরোরিজমগী মায়োক্তা মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা চংশিল্লিবা খোঙজং অসি ঐখোয়গী ফুরুপ অসি মুৎখিবা তারে হায়বসি খঙবদগী চথবনি। মসিমসু হায়, খোঙজং অসিগী মায়োক্তা লৈবশিং অদু এম এল এ ওইসনু নৎত্রগা মখোয়গী মী ওইসনু, মখোয় মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবনি।

জুলাই ২৩গী খ্বাইরাম্বন্দ থৌদোক্কা মরী লৈননা চংশিল্লিবা খোঙজং অসি মখোয়গী দাবী ফংদ্রি ফাওবা চংশিনগনি অদুবু খোঙজং চংশিল্লিবা মীওইশিংনসু মীৎ-না শিংনা অমদি হৈশিংনা চংশিনগদবনি। মরমদি ইবোবীনা মাগী এজেন্টশিং থাদোক্তুনা ঈরাংদু নমথনবা হোৎনরক্কনি। মরী লৈনবশিংনা অপূনবা লূপনা চথরিবা খোঙজং অসিগী মায়োক্তা লৈতনবা অকনবা ৱাফম থম্লদুনা হায়, মদুদা ফত্ত-নুংদা থোক্লবদি অপূনবা লূপনা থৌদাং পুরোই।

ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না তৌরিবা প্রোটেষ্ট অসিবু সেন্ট্রেলগী লুচিংবশিংনা থৌওই ৱাওই তৌদবসিনা তাকপদি মণিপুরগী মীশিং অসি ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইনা লৌদে হায়বনি। মণিপুরদা ষ্টেট টেরোরিজম চথরিবা অসি সেন্ট্রেল লিদরশিং মরুওইনা কোংগ্রেসনা ইনশিল্লগা তৌহনবনি। মখোয়না তশেংনা মণিপুর মীয়ামগী খল্লগদি ষ্টেট টেরোরিজম - ইনশিল্লিবা/ তৌহল্লিবগী মকোক ওইরিবা ইবোবী অসি শিন্দোকপদা করিসু চিংনরোইদবনি। ৱারোল অদুদা মখা তানা হায়, সেন্টরগী কোংগ্রেস লুচিংবশিংগী পাউখুম হৌজিক ফাওবা লাকত্রি, ঙাইনরি।

অপূনবা লূপনা চংশিল্লিবা সিভিল দিসওবিদেন্স মুভমেন্ট অসি হন্দোকপা লৈতে, গভর্ণমেন্ট ওফিসশিং থিংবা, মিনিষ্টর অমসুং এম এল এশিং সোসল বোয়কোট তৌবা অদুম চথখিগনি। হায়রিবা খোঙজং অসিগী মায়োক্তা লৈবশিং অদু য়াম্না লূম্না লৌগনি হায়।

**সেপ্টেম্বর ২৬, ২০০৯ :** ঙসি অৱাং কৌব্রু চীংশাং অমসুং কৌজেংলৈমা লাইরেম্বী লাইফমলেন, সেকমাইদা লৈবশিংদা লাই খুরুম্বা লাকপশিংনা অপূনবা লূপনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসি মায় পাক্লবা অমসুং মণিপুরদা শান্তি অমুক হল্লক্লবা খুরুম্নখি। থৌদোক অসি অপূনবা লূপনা সেকমাই মৈরা পায়বীগা পূন্না পাঙথোকমিন্নবনি।

মতাংসিদা সঞ্জিৎ অমসুং রবিনা হাৎখিবগী মায়োক্তা শেম্বা জে এ সীশিং অমসুং সেকমাই মৈরা পায়বীশিংনা থৌবালগী মৈরা পায়বী খরনা ঙরাং থোকখিবা ৱারোল আই এস টি ভিদা শন্দোরকপা অদুবু কন্না য়ানীংখিদে। থৌবাল লৈশাংথেম মৈরা পায়বীশিংনা হায়খি মদুদি ইবোবী লৌথোকউ হায়দুনা থৌবালদা পোষ্টর কেম্প্যেন তৌখিবা লৈতে।

লাই খুরুম্বা লাকপশিং অদুনা ঙসি পুং ১ তাবা ফাওবা প্রোসেসন অমা অৱাং সেকমাই ময়ায় লৈকায়দগী কৌজেংলৈমা লাইরেম্বী লাইফমলেন ফাওবা চৎখি। শরুক য়ারিবশিংনা অপূনবা লূপনা চথরিবা খোঙজং অসি মায় পাক্লবা লাইদা খুরুমজখি অমদি ষ্টেট অসিদা তং তাবা ফীভমদা হঞ্জিল্লক্লবসু খুরুমজখি। তুংদা প্রোটেষ্ট তৌরিবশিংদুনা ইবোবী সী এম ফমদগী লৌথোক্লবা অমসুং মরাল লৈবা কম্মান্দোশিং চৈরাক পীনবা কৌজেংলৈমা লাইরেম্বী লাইফমলেন্দা লাওখি।

এদভান্স ৱিমেন্স সোসাইটি, অৱাং সেকমাইগী সেক্রেটরি কে ঐচ অমুবীনা হায়খি, থৌবাল লৈশাংথেম মৈরা পায়বীনা হায়খিবা ৱাফমদু ঙকই। মহাক্না হায়খি মদুদি অপূনবা লূপনা মখোয়গী মথক্তা এক্সন লৌখৎকদবনি। মণিপুরদা শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবা তৌহল্লিবসি মখোয়গা ইবোবীগা লৌতুনরগা থোকহনবা মাল্লি।

মরকসিদা রবিনা অমসুং সঞ্জিৎ মীহাৎ য়ানীংদদুনা শেমখিবা জে এ সীশিংনা খুরাই সাজের লৈকায়দা লৈখিদ্রবা সী ঐচ সঞ্জিৎকী ময়ূমদা পাঙথোকখিবা মীফমদা মিদিয়াগী মীওইশিংদা ফোঙদোকপদা থৌবাল মৈরা পায়বীশিংনা হায়খিবা ৱাফম আই এস টি ভিদা উৎলকপা অদুবু কন্না য়ানীংদে হায়।

রবিনা হাৎখিবগী মায়োক্তা শেম্বা জে এ সীগী কনভেনর সিনাম নোংলৈমানা হায়খি, মখোয়না অসুম্না হায়রিবা অসিবু মখোয় মণিপুরগী মীওই নত্তবরা? দিষ্ট্রিক্ট ৯দা লৈরিবা কম্যুনিতিশিংনা খোঙজং অসিবু শৌগৎলিবনি। আই এস টি ভিদা ৱা ঙাঙখিবা নুপীশিং অদু সোসিএল বোয়কোট তৌগদবনি। টি ঐচ অনিতা কনভেনরনা হায়খি, থৌবালগী মীওইশিং অসি ষ্টেট অসিগী অতৈ মীওইশিংগী মতেং মথৌ তাদব্রা? ●